ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

হুইয়েন লানপাউ

য়ূমশকৈশা, এপ্রিল ০৬, ২০২২, ইম্ফাল
৪৫শুবা চহী, ০১৩শুবা মশীং

ইফেক্টিভ ওইগদ্রা তুং কোয়বা সোল্যুসন পুথোকউ

মার্চ ৩১, ২০২২দা এদ্যুকেসন (স্কুলস) গী দিরেক্টর এল নন্দকুমারনা নোটিফিকেসন অমা থোক্তুনা মণিপুরদা লৈরিবা গভর্ণমেন্ট/এদেদ/প্রাইভেট স্কুল পূম্নমক্কী টাইমিং হোংদোকহনখ্রে। নোটিফিকেসন অসিগী মতুংইন্না হায়রিবা স্কুল পূম্নমকসিগী ওইনা প্রি-প্রাইমারিগী থাক্তা লৈবা মহৈরোয়শিংগীনা স্কুল অৱরগী মতম অয়ূক পুং ৮দগী পুং ১০ ফাওবা ওইহনখ্রে। স্কুল অৱার হৌবগী মতমদি অয়ূক পুং ৮দগী চপ মান্ননা হৌহল্লগা মথংশিংনা ক্লাস ১দগী ফাইভ ফাওবগী প্রাইমারি, ক্লাস সিক্সতগী আইট ফাওবগী অপ্পর প্রাইমারি অমসুং ক্লাস নাইনদগী ত্বেলভ ফাওবগী ক্লাসশিংদা তম্লিবা মহৈরোয়শিংগীনা স্কুলগী টাইমিং নুংথিলগী পুং ২.১৫ ফাওবা ওইহনখ্রে। স্কুল এদ্যুকেসনগী দিরেক্টরগী অনৌবা স্কুল অৱর অমদা হোংদোকহল্লকপগী নোটিফিকেসনসি মহাক খক্তগী অপাম্বগী মতুংইন্না থোরকপা নত্তে। মণিপুর গভর্ণমেন্টকী জেনরল এদমিনিষ্ট্রেসন দিপার্টমেন্ট (জি এ দি) না মার্চ ২৬, ২০২২দা থোকখিবা নোটিফিকেসন অমসুং সেক্রেটরিএট এদ্যুকেসন (স্কুলস) দিপার্টমেন্টনা মার্চ ৩১, ২০২২দা এপ্রুভেল পীরকখিবগা পন্থদনা থোকখিবা নোটিফিকেসননি। নাকল অমরোমদনা জি এ দিগী দেপ্যুটি সেক্রেটরি শুনন্দা থোকচোমগী মায়কৈদগীসু মার্চ ২৬, ২০২২দনা মণিপুর গভর্ণমেন্টকী মখাদা লৈবা এমপ্লোয়ীশিংগী ওইবা নোটিফিকেসন অমসু থোকখি। নোটিফিকেসন অসিনা হায়রিবনা গভর্ণমেন্টসিগী মখাদা লৈবা ওফিসশিং/এজেন্সী/বোদি অমসুং পব্লিক সেক্টর অন্দরটেক্কিং পূম্নমক্কী এমপ্লোয়ীশিং নুমিৎ ৭নিনা শারিবা চয়োল অমগী মনুংদা মখোয়গী ৱার্কিং দে অমসুং অৱরশিং মথংশিংনা থাংজ য়াওদনা নিংথৌকাবদগীনা ইরাই নুমিৎ ফাওবদং ওইরগনি হায়বনি। জি এ দিগী অন্দর সেক্রেটরিগী নোটিফিকেসন অসিসু মার্চ ২২, ২০২২দা ফমখিবা ষ্টেট কেবিনেট মীফম্না লৌখিবা ৱারেপকী মতুংইন্ননি। অদুগা নোটিফিকেসন অসিনা মখা তানা খঙহল্লিবনা কালেন্থাগী মতম ওইরিবা মার্চতগী ওক্টোবর ফাওবগীনা নুমিৎ ৫নিগী ৱার্কিং দেশিং অসিগী ৱার্কিং অৱারনা অয়ূক পুং ৯দগীনা নুংথিল পুং ৫.৩০ ফাওবা ওইগনি। মসিগী মনুংদা লঞ্চ ব্রেকনা নুংথিল পুং ১দগী ১.৩০ ফাওবা ওইগনি হায়বনি। অদুগা নীংথমথাগী মতমশিং ওইরিবা নবেম্বরদগীনা ফেব্রুৱারী ফাওবগীনা অয়ূক পুং ৯দগীনা নুংথিল পুং ৫ ফাওবা ওইগনি হায়রগা লঞ্চ ব্রেককী মতমনা চপ মান্নহল্লকপনি।

অদুবু স্কুল এদ্যুকেসন অমসুং জি এ দিনা লৌরক্লিবা অনৌবা ফিরেপশিংসিগী মতাংদা শুপচিন্না লৈঙাকসিবু লুচিংলিবা চীফ মিনিষ্টরনা হায়রিবনা মরু ওইনা ত্রাফিক কঞ্জেসন থোকহন্দনবনি অমসুং এমপ্লোয়রশিংগীনা চয়োল অমদা নুমিৎ ৫নি থবক নীংথিজনা শুরগা নুমিৎ নীনি খুয়া তুশিংনা পোথানবনি হায়বসিনি। অদুবু মণিপুরগী মহৈশঙশিং অমসুং এমপ্লোয়ীশিংগী স্কুল অমসুং ওফিস অৱার নৌনা শেমদোরকপদা অনৌবা ৱাফম খরা ফন-ফন চোঙথোরকই। ৱাফমশিং অসিগী মনুংদা অমনা হৌজিক মায়োক্নরিবা ত্রাফিক ভোল্যুম অমসুং কঞ্জেসন হন্থহনবদি স্কুল অমসুং ওফিস অৱার মান্নহন্দনা ফাংজিন্নহন্দবনা পাম্বৈ অমদি ওইবা য়াই অদুবু মসিনা পর্মিনেন্ট সোল্যুসন অমদি ওইরোই হায়বসিনি। মরমদি, স্কুল অমসুং ওফিস অৱার হোংদোক্লবসু মসিদা ইনভোল্ভ তৌরিবা মী মশীংদি হন্থরকপা নত্তে। হন্থরকপগী মহুত্তা নোংম-নোংমগী হেঙ্গৎলক্লিবনি। অদুগা চৎথোক চৎশিন তৌনরিবা লম্বীশিং পাকপগী চাংনা ত্রাফিক ভোল্যুমগা চানদবনি। মসি হায় হায়দুনা লৈরিবা লম্বীশিং অসি লেপ্তুনা শুম পাকথোকপদি য়াবা নত্তে। পাকথোকফম থোকপা চাং ফাওবদি য়ৌনা পাকথোক্কদবনি। ফুট ব্রিজ খরা শারিবসিগী মথক্তা সব-ৱে খরসু থমগদবনি। ফ্লাই ওভরগী মশীং হেঙ্গৎহনগদবনি। পব্লিক ত্রান্সপোর্ট সিষ্টম নীংথিজনা মায় পাক্লা চৎনহনবসু কান্নগনি। অসিগুম্বা থৌওংশিং অসিসু ত্রাফিক কঞ্জেসন থোরকহন্দনবগী মরু ওইবা পাম্বৈশিংনি হায়বগী ৱানি। অদুগা এমপ্লোয়ীশিংগী ৱার্কিং দেজ চয়োল অমদা নুমিৎ ৫নি খক ওইবগী মওংসিদি হন্দক হৌদোক্লিবা অসিনা অহানবা নত্তে। অদুঙৈ লৈখিদ্রবা আর কে জয়চন্দ্রনা চীফ মিনিষ্টর ওইরিঙৈদসু হৌদোক্তুনা চৎনহল্লম্নবনি। অদুবু মণিপুরগীদি অহানবা খূৎমাদুনা হৌদোরকপদদি হেক্তা লাই ওইবা অদুগা খরা কুইশিল্লক্লগনা মৌ অনৌবীনা ৱাই তৈবা পীকশিল্লকপগী ফীভমদুদা হেক্তা তারকই। হন্দক্কী খোঙথাংসিনা কদাই ফাওবা কান্নবা পীবগে নৎত্রগা পীদবগে হায়বদু য়েংথোকপা চঙলি। কান্নদ্রগনা ১০০ রক শেমদোক-শাদোকপা করিসু কায়দে।

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৩৯

১) অঙাংশিংগীদমক্তা ৱারী-শৈরেং মখলদা ইবা **“মেলাদা উৎখিদ্রবা সনারৈ”** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?

২) **“মণিপুরগী চীংনুং মানুং, পাৎ লৌবুক অমসুং চম্না লেঞ্জবা পুন্সিগী অমম অঙানগী মচু পূম্নমক মহাক্কী খূৎইদা ফোঙদোক্লবা লাক্লরি। ৱাহৈ লীক্লা শীজিন্নদুনা খজিক্তুনা য়াম্না ফোঙদোক্লবা হোৎনদুনা মতাং অসিদা বিশ্বকবি রবীন্দ্রনাথ ঠাকুরগী ৱারীমচাশিং নীংশিংহল্লি।”** শক্লাইরবা ক্রিটিক এলাংবম নীলকান্তনা মণিপুরগী শক্লাইরবা ৱারীমচাগী অইবা অমগী ৱারীমচাশিংগী মরমদা হায়রম্বনি। ৱারীমচাগী অইবা অসি কনানো?

৩) ***“ঐগী থৱায় কিশিন্দুনা পায়রি নঙনা/নঙগী খুবাম্নুংদা, হে অশিবা!/মঙক্তা থৌরী থুরবা চৎনীংবা মফমদা চৎপা ফংদ্রবা/থৌরীগী মচিন অমনা মহাক্কী খূত্তা পায়রিবা/তাউবা হূই অসিগা মান্নে ঐগা। ঐগীনি হায়ববু/ঐনা কন্থোক্লিবা অহাঙবা অসিখক্তনি।”*** শক্লাইরবা কবি অমগী শৈরেং মতেকনি। কবি অসি কনানো মহাক্কী করি লাইরিক্তা য়াওবা করি শৈরেংদগী লৌথোরকপনো?

৪) রবীন্দ্রনাথ ঠাকুরগী **“গীতাঞ্জলি”** অসি মণিপুরীদা মী কয়ামুক্লা হন্দোকখ্রে। অহানবা খূৎনম ওইনা মণিপুরীদা হন্দোক্তুনা ওক্টোবর ১৯৯৮দা ফোঙখিবা **“গীতাঞ্জলি”** অসি কনানা হন্দোকপনো?

৫) ***“মণিপুরী লোক সাহিত্য (মৈতৈ খুন্নাইরোল ফুঙ্গা ৱারী)”*** অহানবা শরুক, হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম এপ্রিল ১৫, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

কেন্সরশিংদা হকথেংননা হীদাক থাহনবা ঙম্বা, ইম্যুন সিষ্টমনা উবা ঙমদবা বেক্টেরিয়াগী ‘ফিজোল’

সাইন্সকী খোঙচৎ

কুঞ্জো নাওরেম

E. coli Nissle 1917 ষ্ট্রেইনবু এঞ্জিনিয়রিংগী পাম্বৈনা সর্কিট বোর্দ (ওন/ওফ স্বিটচ) কা লোয়ননা CAP না কুপশিন্দুনা ইম্যুন সিষ্টমদগী লোৎতুনা লৈহনবা

কুমজা ১৮৯৭তা ‘ফাদর ওফ সাইন্স ফিক্সন’ হায়না খঙনরিবা ঐচ জি ৱেলসনা ‘দ ইনভিজিবল মেন’ হায়না খঙনবা অতোপ্পা মীশিংনা উবা ঙমদবা মী অমদা য়ুন্থম ওইবা নোভেল অমা ইরকখি। নোভেল অসিনা মীয়ামদা অদুক্কী মতিক অকনবা শাফু অমা পীখি মদুদি মসিনা মহাকপু সাইন্স ফিক্সনগী মপা হায়বা মিংথোলসি ফংহনবা ঙমখি। হোলিৱুদখক্তা নত্তনা বোল্লিৱুদকী ফিল্ম (খুদম ওইনা মিষ্টর ইন্দিয়া) কয়াদসু অতোপ্পা মীশিংনা উবা ঙমদবা করেক্টরশিং য়াওবা ৱারীশিং থেংনখ্রে। অদুবু ফিক্সনশিং অসিনা ইথিল পীবা নৎত্রগা পীদবা হায়বসিনা তোঙান্না থমখ্রগা, সাইন্স ফিক্সনশিং অসিনা ইনভেন্সনশিংগী হৌরকফম অমা ওই হায়বসি সাইন্টিফিক কম্যুনিতিনা য়ানরবা ৱাফম অমনি।

কলম্বিয়া য়ুনিভর্সিটি স্কুল ওফ এঞ্জিনিয়রিং এন্দ এপ্লাইদ সাইন্সকী থিজিন লূপ অমনা উচিশিংদা পাঙথোকখিবা চাংয়েংশিংদা, খূৎশেমগী পাম্বৈনা ইম্যুন সিষ্টমনা মতম খরগী ওইনা উবা ঙমহন্দবা বেক্টেরিয়াশিং পুথোকপা ঙম্লে হায়রি। অসিগুম্বা লায়েং কাঙলোন্দা শীজিন্নবা থেরাপ্যুটিক বেক্টেরিয়া অসি ট্যুমর য়ৌনবা হীদাক পুদুনা চৎখ্রগা কেন্সর সেলশিংবু হাৎপা, অদুবু হীদাক্তুগী সাইদ ইফেক্টতি য়াম্না হন্থহনবা য়াগনি হায়রি। লূপ অসিনা বেক্টেরিয়াদুগী দি এন এবু শেমদোক্লগা বেক্টেরিয়াগী সর্ফেসপু লাকশিনবা ঙম্বা জিন সর্কিট অমা প্রোগ্রামিং তৌই অদুগা ইম্যুন সিষ্টমনা উবা ঙমদবা ‘ফিজোল’ অমনা বেক্টেরিয়াদুবু কুপশিনহল্লি। থিজিন লূপ অসিনা পুথোরল্লিবা ফিজোল অসিগী মরীক চুম্লবা পাউদমদু ‘নেচর বাইওটেক্নোলোজি’ (মার্চ ১৭, ২০২২) দা ফোঙদোরকখিবনি।

উচিদা পাঙথোকখিবা চাংয়েংঅসিদা থিজিন লূপ অসিনা capsular polysaccharides (CAP) হায়না খঙনবা বেক্টেরিঅল সর্ফেসপু কুপশিল্লিবা সুগর পোলিমর অসিদা অকনবা মীৎয়েং থমখি। মহৌশানা CAP অসিগী মতেংনা বেক্টেরিয়া কয়ানা ইম্যুন সিষ্টমশিং য়াওনা লান্দাশিল্লক্লিবা পোৎশক কয়াদগী ঙাকথোকচবা ঙম্মী। থিজিনবা অসিদা শরুক য়াখিবা Tetsuhiro Harimoto না ফোঙদোকপগী মতুংইন্না মখোয়না প্রোবাইওটিক *E.coli* strain Nissle 1971 গী CAP সিষ্টমবু লৌথোকপা ঙমখি। CAP য়াওবা মতমদা বেক্টেরিয়াসিনা মতম খরগী ওইনা ইম্যুন সিষ্টমদগী শাফনা লৈবা ঙম্মী; অদুবু CAP য়াওদ্রবদি মখোয়না ইম্যুন্দগী ঙাকথোকচবা ঙমদে অদুগা ইম্যুননা হকচাং মনুংদা মাঙহনখি। অদুনা লূপ অসিনা কান্নরবা ‘ওন/ওফ স্বিটচ’ অমা হাপচিন্দুনা বেক্টেরিয়াদুবু তাঞ্জা-তাঞ্জাগী মতুংইন্না মথৌ তৌহন্নবা অমসুং মথৌ তৌহন্দনবা থৌরাং লৌখৎলকখি, হায়বদি মতম খরনা ইম্যুন্দগী শক লোৎতুনা লৈবা অদুগা মতম খরনা ইম্যুন্দগী শক লোৎতুনা লৈবা ঙমদবা মখলগী ইলেক্ট্রোনিক সর্কিট য়াওরবা বেক্টেরিয়া শেমগৎনবা হোৎনরকখি।

Tetsuhiro Harimoto

মতৌ অসুম্না বেক্টেরিয়াদুবু ‘ওন/ওফ’ মোদতা থম্বা য়াহন্নবগীদমক, ইন্দ্যুসিবল CAP নৎত্রগা iCAP হায়না খঙনবা অনৌবা CAP সিষ্টম অমা শেমগৎলম্মী। IPTG কৌবা অপীকপা মোলিক্যুল অমবু মপান্থোংদগী পীশিল্লকপা সিগ্নেল অমা ওইনা মথৌ তৌহন্দুনা iCAP পু লাকশিন্দুনা থল্লম্মী, অদুগা মসিনা *E. coli* গী সেল সর্ফেসপু গ্রোগ্রাম তৌবা অমসুং হোংদোক-হোংজিন য়াবা অমা ওইহল্লম্মী। iCAP না পাল্লিবা মওং অমদা ইম্যুন সিষ্টমশিং (ঈনা ফোরেইন বোদিশিং শেংদোকখিবা অমসুং ফাগোসাইতোসিসকুম্বা) গা বেক্টেরিয়াগা ইন্টরেক্সন তৌরিবদুবু হোংহনবা য়াবনিনা, থিজিন-লূপ অসিনা iCAP *E. coli* দা IPTG কয়া য়াম্না পীশিনগদবগে হায়বদু লেপথোক্তুনা বেক্টেরিয়াদুনা মীওইবগী ঈদা হিংবগী মতমদু লাকশিনবা ঙমখি, হায়বদি বেক্টেরিয়াদুনা হিংবগী মতমদু পান্নবগী মতুংইন্না লেপ্পা ঙমখি।

হকচাংদা য়ুশিনখ্রবা তিক্ষ্ণংবু হন্দোক্লবগীদমক অতোপ্পা তিক্ষ্ণং অমা শীজিন্নবগুম, কেন্সরগুম্বা লায়না অমা লায়েংনবগীদমক বেক্টেরিয়া শীজিন্নবা হায়বসিদা থোইদোক্লা ঙক্লিংঙাই ওইদে। বেক্টেরিয়াবু লায়েংবগী থবক্তা শীজিন্নবা হায়বসি অনৌবা অমা ওইরবসু, কেন্সরবু হীদাক্লা লায়েংবা হায়বদি কেমো থেরাপিগী শাথীরবা সাইদ-ইফেক্টশিং লৈবনিনা অসিগুম্বা লায়েং পথাপ অমা শেমগৎপা হায়বসি য়াম্নমক মরু ওই। অদুবু লুরিবদি বেক্টেরিয়াসি অহিংবা জীবনি অমসুং হকচাং মনুংদা মচা পোকপা ঙম্মী। মখোয়বু ইম্যুন সিষ্টমনা ফোরেইন বোদি ওইনা লৌই অমসুং খুদোংথীনীংঙাই ওইরবা ইনফ্লেমেসনশিং থোকহল্লকই অদুগা বেক্টেরিয়াশিং মচা পোল্লকপগা লোয়ননা ইনফ্লেমেসনগী চাংসু হেনগৎলকই অদুগা অতোপ্পা অমরোমদনা বেক্টেরিয়াশিংবু থুনা মাঙহনখিবা নৎত্রগা বেক্টেরিয়াগী মশীং য়ামদ্রগনা লায়েংবদা কান্নবা ঙমদবা ওই। অদুনা বেক্টেরিয়াবু লায়েংবদা শীজিন্নবা হায়বসি অয়েৎ অপন অমা ওইদুনা লাকখি।

অদুনা লায়েং পথাপ্তা শীজিন্নবা য়ারবা বেক্টেরিয়া অদু হকচাং মনুংদা চঙখ্রগা ইম্যুন সিষ্টমদগীদি নাম্থোক্তুনা লৈবা অদুগা পাল্লিবা ট্যুমর অদুদা চঙশিনখিবা ঙম্বা ওইবা তাই। মখোয়না ট্যুমরদা অমুক্তংবু চঙশিনবা ঙমখ্রবদি মখোয়গী টোক্সিসিটিদু খ্বাইদগী হন্থবা চাংদা ফংনবগীদমক হকচাংগী অতোপ্পা মফমশিংদা মাঙহনখিবা ঙম্বসু তাই। অসিগুম্বা মগুণ চেনবা বেক্টেরিয়াদু পুথোক্লবগীদমক উচিগী ট্যুমর মোদেলশিংদা, iCAP কী মতেংনা বেক্টেরিয়াদুগী খ্বাইদগী য়াম্বা তোলরেবল দোজদা শরুক তরা হেনগৎহল্লম্মী। অসিগুম্বা ট্যুমর লায়েংনবা হীদাক য়াওরবা *E. coli* ষ্ট্রেইন অদুদা ইম্যুন সিষ্টমনা খঙবা ঙমদবা কুয়োমদুনা য়োমশিন্দুনা ইম্যুন সিষ্টমদগী লোৎপা ঙল্লম্মী, অদুগা ট্যুমর লৈরিবা মফমদুদা চঙশিনখিবা ঙল্লম্মী। মখোয়না হকচাংদা IPTG দি পীথোরক্তবনিনা মতম খরা লৈরগা *E. coli* iCAP কী কুয়োমদু মাঙখি অদুগা ইম্যুন্দগী শক লোৎপা ঙল্লক্তে; অদুনা অতোপ্পা হকচাংগী শরুকশিংদা মাঙহনখিদুনা হীদাক্তুগী সাইদ ইফেক্টশিংদু খ্বাইদগী হন্থবা চাংদা থম্বা ঙমখি।

মখোয়গী লায়েং পথাপ অসিগী কান্নবগী চাং য়েংনবগীদমক, থিজিন লূপ অসিনা *E coli* iCAP পু এঞ্জিনিয়রিংগী পাম্বৈনা এন্টিট্যুমর টোক্সিন অমা পুথোকহল্লম্মী অদুগা কোলোরেক্টেল অমসুং খোমগী কেন্সর লৈরবা উচিশিংগী ট্যুমরনা চাওখৎলকপবু থিংদুনা থল্লম্মী। হীদাক পুহল্লিবা বেক্টেরিয়ানা হকচাংগী অতোপ্পা মফমশিংদা শন্দোকখিবা ঙমহন্দে হায়বগী চাংয়েংসু লূপ অসিনা পাঙথোকখি। অসুম্না ট্যুমর অমদগী বেক্টেরিয়ানা অতোপ্পা মফমদা শন্দোরকপবু লাকশিনবা ঙম্মী হায়বদুসু উৎলম্মী। মখোয়না *E. coli* iCAP পু ট্যুমর অমদা কাপশিল্লম্মী অদুগা উচি অদুবুনা IPTG য়াওরবা ঈশিং পীথল্লম্মী, ট্যুমরদুগী মনুংদা iCAP না এক্টিভেট তৌরক্লম্মী, অদুগা *E. coli* iCAP না শন্দোরক্তুনা হীদাক কাপশিনখিদবা ট্যুমরশিংদা চেনশিনখিরম্মী।

অসুম্না মায় পাক্লা চাংয়েংশিংসি পাঙথোক্লবা মতুংদা থিজিন লূপ অসিনা অতোপ্পা ওইথোকপা য়াবা লমশিংদা চাংয়েংশিং মখা তানা পাঙথোক্লবা শেম শারি। *E. coli* গী ওইনা তোঙান তোঙানবা CAP মখল ৮০দগী হেন্না লৈ, অদুগা থৌওং অসি শীজিন্দুনা শেমদোক-শাদোকপা য়ারবা অতোপ্পা বেক্টেরিয়া স্পেসিস কয়াসু লৈরি। মসিগীসু মথক্তা বেক্টেরিয়াগী সর্ফেসতা লৈরিবসি CAP খক্তা নত্তে, অতোপ্পা সর্ফেসকী মোলিক্যুল কয়াবুসু পাম্বৈসিগী মতেংনা লাকশিনবা য়াগনি। খুদম ওইনা, IPTG শীজিন্নরগা iCAP পু লাকশিল্লিবা অসিনি। বাইওসেন্সরশিংগুম্বা অতোপ্পা কন্ট্রোল সিষ্টমশিং শীজিন্নরগা লায়েংবগী থবক্তা শীজিন্নবা বেক্টেরিঅল সর্ফেসকী ওইবা মগুণশিংবু লাকশিনবা ঙমগনি। অসিগুম্বা চাংয়েংশিং অসিনা তুংলমচৎতা থেরাপ্যুটিক বেক্টেরিয়াবু কেন্সর লায়েংবদা শীজিন্নবগী থবক্তা হেন্না কান্নবা পীরকপা য়াই হায়না থিজিন-লূপ অসিনা ফোঙদোক্লি। অতোপ্পা অমরোমদনা লূপ অসিনা উচিশিংদা পাঙথোকখ্রবা চাংয়েংশিংসি ক্লিনিকলগী ওইনা মীওইবদসু মায় পাকপা য়াই হায়বগী থাজবা থল্লি। ●

আর কে মাইপাকসনা জর্নেলিষ্ট ফেলোসিপকী মখাদা ইজবা

নেসনল লেভেলদা গোল্ড ৭, ষ্টেট লেভেলদা গোল্ড ৫ লৌরক্লবী ৱুশু শান্নরোয় বিনা লৈঙাক্কী খুদোংচাবা অমত্তা ফংদনা ঙা য়োল্লগা হিংলি

– বিজয় লাইশ্রম –

লমদম অসিগী শান্নরোয়শিংবু মণিপুর লৈঙাক্লা পূক্নিং থৌগৎপীরবসু ৱুশু শান্নবদা নেসনল লেভেলদা গোল্ড মেদল ৭, ষ্টেট লেভেলদা গোল্ড মেদল ৫, সিলভর মেদল ১ লৌরক্লবী অঙোম বিনা ঙসিদি মণিপুর লৈঙাক্কী খুদোংচাবা অমত্তা ফংদনা হৌজিক বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা নিংথৌখোং কৈথেলদা ঙা য়োন্দুনা ইমুং পুরি হায়না মহাক্লা য়াম্না পূক্নিং নুংশিনা ফোঙদোরক্লি।

পাউচে অসিগা অখন্ননা উন্নবদা অঙোম বিনানা হায়, মহাক নিংথৌখোং অৱাং লৈকায় ৱার্দ নম্বর ১দগী অঙোম নোবো অমদি অঙোম ওংবী মেমচাগী মচানুপা ৪, মচানুপী ৪ পূন্না ৮গী মনুংদা মহাক্লা তরেৎশুবীনি। অঙোম বিনা ক্লাস আইট ফাওবদং তম্লগা মখা তানা লাইরিক তম্বা ঙমদবদগী মমা-মপাগী অঙম্বা থবক্তা মতেং পাংদুনা লাকখি। মহাক মখোয়গী লৈকায়দা লৈবা ৱুশু অমদি রেসলিংগী ওজা থোকচোম নোরেনগী মখাদা কুমজা ২০১৭তগী ৱুশু শান্নবা হৌরকখি। মহাক নেসনল লেভেল অমদি ষ্টেট লেভেলদা গোল্ড মেদল ১২, সিলভর মেদল ১ লৌরকখ্রে। মসিদা নত্তনা মহাক রেষ্টলিং, কমবাট অমদি কুংফুনচিংবসু শান্নবগা লোয়ননা গোল্ড অমদি সিলভর কয়া লৌরকপা লৈখ্রে।

বিনা অঙাং ওইরিঙৈদগী হৌনা লাইরিক তম্না তম্না শান্নবগী লম্দা ফূনবা-থিন্নবা-কাওনবা য়াম্না পাম্না হৌরকখি। মহাক্লা লমদম অসিগী হৌরক্লিবা নহা কয়া ময়াই কাবা চিঙ্গাক চারুবদগী তুংগী য়ূম্বী ওইগদৌরিবা নহা কয়া অরেম্বদা পুন্সি পিখম্নখিবা অসি উরুরগা খুন্নাই অসিবু কন্নবগীদমক্তা নহা ওইরিঙৈদা মানা মানা পামজবা দিসিপ্লিন অমদা শান্নরবদি হকচাংসু ফগনি, ওজা অমগী মখাদা কাঙলোন চুম্না শান্নরগদি লমচৎ শাজৎ অমদি থকসি-খাসি, হৌন-লোনচৎনচিংবা ফজনা খঙবা ঙমগনি হায়রি। মহাক্কী মনাওনুপা অমা ময়াই কাবা চিঙ্গাক চারুবদগী মদু থাদোকপা ঙমদবদগী ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা মহাকপু ময়াই কাবা চিঙ্গাক্তগী থাদোক্লবা হোৎনবদা অৱাবা কয়া মায়োক্লখি।

বিনা অহানবদা নিংথৌখোং কৈথেল অমদি ইম্ফালনচিংবদা ঙা য়োল্লগা লৈরম্বনি। অদুবু নহা কয়া ময়াই কাবা চিঙ্গাক চাবা, য়ুনচিংবা থকপা মীওই কয়া উরুবদগী মহাক মচা অহুম লৈরবা মতুংদা মহাক্কী ইমুং মনুংগী মৌপ্পা ফাওবা ময়াই কাবা চিঙ্গাক চারগা মাঙলক্কদবা অদু উরুবদগী মানা শান্নবগী লম্দা খোঙদারকপনি। মহাক য়ুনিফোর্ম শেৎলগা থবক তৌবসু য়াম্না পাল্লম্মী অদুবু ইমুং মনুংগী লৈত-লায়রবনা মরম ওইদুনা মহাক মশাগী এদ্যুকেসনল ক্বালিফিকেসনদি মতিক চাহৌদবনি। অদুম ওইনমক মহাক নিংহন্নবা লৈতনা শান্নবগী লম্বী অসিদা অমুক্তং চঙলগা হিংলগনি হায়না খনবসু নত্তে।

ইরমদম লৈকায় অসিগী হৌরক্লিবা নহারোলশিং অমদি মীয়ামগী অওনবা মায়কৈদা শান্নরগা মশা মউ ফবা, তিঞ্জং কায়জংদবা, পুন্সি নুংশাংনা হিংনবগীদমক্তা মসিগী অওনবা অসি পুরক্কে খন্দুনা শান্নবগী লম্ অসিদা চঙলকখিবনি। মহাক ৱুশু শান্নবদা নেসনল লেভেলদা গোল্ড মেদল তরেৎ অমদি ষ্টেট লেভেলদা গোল্ড মেদল মঙা লোয়ননা সিলভর মেদল অমা লৌরকখ্রে। মহাক রেষ্টলিং শান্নে, কম্বাট শান্নে, ৱুশু শান্নে অমদি কুংফুনচিংবসু শান্নে। দিসিপ্লিন মরি অসি মহাক ফজনা শান্নে। রেষ্টলিংদা মহাক মেদল অহুম লৌখ্রে।

মসিদা নত্তনা হায়দরবাদতা মেদল অমা, পোন্দিচেরিদা মেদল অমা অদুগা নেপালদা শান্নবদা মেদল অমা ফংখি। মেদল অহুম্মক গোল্ড ঙাক্তনি হায়রি। অদুগা ওল মণিপুরগী নুপীগী মুক্লা যাত্রা নিংথৌখোংগী ইবুধৌ ৱাংব্রেনগীদা শান্নবদা মুক্লা যাত্রা ওইদুনা মনা লৌবা ঙমখি। মহাক্কী মশাদা শান্নবগী অমদি কম্পিটিসন থোক্লবগী ৱাখল পোল্লককখিবা অসি মহাক্কী মশুং মমান্নবী কয়া ঙা-চাক য়োনবা অমদি লৌউ-শিংউ তৌবা কয়াসু লৈ। অদুবু মহাক ঙা-চাক য়োন্না য়োন্না মশাগী অফবা পান্দম অমদি ফংদবা য়াদে অমদি হকচাংসু ফনা লৈতবা য়াদে হায়বা ৱাখলদা চপ য়ুংনা খন্দুনা অমদি হৌরক্লিবা লৈকায়গী নহারোলশিংবু অফবা লম্বীদা পুরকনীংবদগী শান্নবগী লম্ অসিদা য়াওরকপনি। মহাক হৌজিক ফাওবদা নেসনল অমদি ষ্টেটকী থাক্তা শান্নরকপা অসিদা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী খুদোংচাবা অমত্তা ফংবা লৈতে। মহাক লায়রবা ইমুং অমদা হৌরকপনা অফবা দাইট চাদনা চাক অমদি এঞ্জাং খরা চারগা শান্নরকখিবনি। মহাক হৌজিক মখা তানা শান্নবদি পাম্মী অদুবু লৈতবনা মরম ওইদুনা মহাক্কী অঙাং চাওরক্লবনিনা শান্নবদা মায়পুনবা ঙল্লকখিদে।

হৌজিক মহাক্কী মচা অহুম লৈরে। অমনা বি এ লোইরে, মচানুপী য়াইমা মেত্রিক থাগদবদা ময়ূম মকৈ পানখিবদগী নিংথিনা শেম্বা ঙমহৌদে। মসিদা নত্তনা অনা অয়েক য়াওরক্কনু হায়বসু য়াদে, ইমুংগী চাকখুম মৈ মুৎতনবা হোৎনবদা মহাক মপান লমদা শান্নবা চৎপা ঙমদনা লৈরি। অদুবু হৌজিক মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী করিগুম্বা থবক খরদং তৌরক্লগদি মহাক মখা তানা শান্নবা চৎকে হায়না খল্লি।

মহাক্লা শান্নবা চৎপদা লুপা লিশীং ২০/৩০ মশানা পুথোক্লগা চৎপনি। মহাক হৌজিক নিংথৌখোং কৈথেলদা ঙা য়োল্লি অদুবু কা হেন্না শেন্দোং ফংদবা অমদি পোৎ চৈ শিৎপগী চাংসু য়াম্না হন্থরকপনা য়ূমদা অঙাংশিং চাদবা য়াদে, লাইরিক তমদবা য়াদে অমদি চাকখুম মৈ মুৎতনবা হোৎনবদা অৱাবা অমদি মায়োক্লরি। অদুবু মহাক য়ূমদদি প্রেক্টিস চাং নাইনা অদুম তৌজরি। অদুবু শান্নবুংদদি মহাক চৎতুনা শান্নবা ফংদরে। ময়াম্নদি মহাকপু শান্নবা অমদি প্রেক্টিস তৌবা লাকউ হায়রগসু চৎপা ঙমদ্রে হায়রি।

মখোয়গী প্রেক্টিস তৌফম অসি মখোয়গী য়ূমদগী মমাঙদা লৈবা নিংথৌখোং মাঙ্গোল ঙানবী কোলেজগী কেম্পসতা তৌই। মীওই ৩০/৪০ প্রেক্টিস তৌবনি অদুবু কোরোনাগী লায়না লাকপদগী মতম খরদি লেপ্লি। অদুবু প্রেক্টিস তৌবা লেপ্পদা ইশাগী ষ্টেমিনা হন্থরকপা য়াই হায়দুনা খনবদগী মাগী য়ূমদা মথন্তা প্রেক্টিস তৌরি। মহৈরোয় কয়া মাগী মখাদা তমনীংবা লৈরি। মাগী ওজানসু মঙোন্দা অহেনবা তমহন্নীংবা লৈরমগনি অদুবু কোরোনা অসি লাকপদগী মপূং ফানা শান্নবা ফংদে। মহাক্কী ওজা অসি লৈকায়গী ওজা থোকচোমগী নোরেন, নাচৌদগী রোমেন অমদি নম্বোলদগী ওজা রোমেননসু নিংথিনা তাকপী তম্বী হায়রি।

নেসনলগী থাক্তা নেপালদা ৱুশুগী গোল্ড অহুম অদুগা পোন্দিচেরিদা গোল্ড অনী, হায়দরবাদতা গোল্ড অনী লৌরকখি। মহাক্লা খ্বাইদগী পামজবা দিসিপ্লিনদি রেষ্টলিংনি হায়রি। লমদম অসিগী শান্নববু পামজবা মীওইশিংবু মণিপুর লৈঙাক্লা থিদোকপীরগা মখোয়গী অৱাৎ অপা মেনখৎপীদুনা অমদি থৱায় হাপ্পীদুনা পূক্নিং থৌগৎপীরবদি ঐখোয়গী ইরমদম অসিদা অফবা শান্নরোয় কয়া থোরকপা ঙমগনি। লোয়ননা হৌরক্লিবা নহারোল কয়া ময়াই কাবা চিঙ্গাক্তগী লাপ্পা লৈবসু ঙমগনি।

ইরমদম অসিদা মণিপুর লৈঙাক্লা অথিংবা থল্লিবা ময়াই কাবা চিঙ্গাক অসিবু য়োনবা মীওই শিবা কিদনা ফোংনা থোরক্লিবা অসি দিমান্দ য়াম্না লৈবননি। দিমান্দ হন্থহনগে হায়রগদি নহাশিংবু শান্নবগী লম্দা হেন্না পুশিন্নবা লৈঙাক্লা অখন্নবা থবক খরদি পায়খৎপা মথৌ তারে। লুরিবদি হৌজিক লৈকায় অমদি খুনগী শান্নবুং কয়া লৈত্রে। শান্নবুং অয়াম্বা কম্যুনিতি হোল শাজিনবা অমদি লৈকায়গী পুখ্রিনচিংবা ফুনজিল্লিবা অসি লৈঙাক্লা অখন্নবা মীৎয়েং চঙহন্নীংই হায়না মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোরকখি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।